# এ টি কে মোহন বগানননা এ সী ইষ্ট বেঙ্গলবু আই এস এলগী ৮শুবা মেটচতা ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে



এ টি কে মোহন বগানগী শান্নরোয়না কাওশিল্লকখিবা বোল অমা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী গোলকিপরনা ঙাকথোকখিবা

ভাস্কোদাগামা, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
মীয়াম্না কোলকাটা দরবি হায়না খঙনরম্বা মতম অমগী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মমিং লৈরবা ফুটবোল ক্লব অনী মোহন বগান অমসুং ইষ্ট বেঙ্গলগী মেটচ অদু ঙসি গোৱাগী ভাস্কো দা গামা সিটিদা লৈবা টিলকমাইদান ষ্টেদিয়মদা টেলিভিজনগী খূথাংদা মীয়াম্না মীৎয়েং তাবা ফংখিবা অদুদা এ টি কে মোহন বগান হায়না নৌনা খঙনরবা ক্লব অসিনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, মোহন বগান অমসুং ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লব অনীমক আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন টতা শরুক য়ারম্বনি। অদুবু মোহন বগানননা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী হৌখিবা সিজনগী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা এ টি কেগা অপূনবা টিম অমা শেমখিবগা লোয়ননা ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবসু মখোয়বু ফ্রেঞ্চাইস তৌবীনবা স্রি সিমেন্ট কম্পেনি লাকপদগী ক্লব অসিগী মমিং নৌনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল হায়না খঙনখি।

ঙসিগী ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ৮শুবা লীগ মেটচ অদুদা মণিপুরদগী হৌখিবা মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল শান্নরোয় পোৎশংবম রেনেদিনা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইরিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা হৌরকপদা মমাংগী চেম্পিয়ন এ টি কে মোহন বগানগী মায়োক্তা য়াম্না মান্নবা মওংদা লম্বা পীখি। মেটচকী অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী মতম অদু পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লাকখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৪ চঙশিল্লকপদা এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী দিলিপ রানেনা ওইথংবা ফিল্ডগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা জেভিয়র হর্নান্দেজদা খাইদোরকখি। জেভিয়রনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী দিফেন্দর লাম্হোৎলগা অমুক ইন্হোরকপা বোল অদু টিমমেট রোই কৃষ্ণনা পাঞ্জল চন্দুনা ১-০দা মাংজিল থাখি।

পাঞ্জল মাংজিল থারবা মতুং এ টি কে মোহন বগানগী শান্নরোয়শিংগী মায়কৈদগী পাঙ্গল হান্নদগী হেনগৎলকখি। অমরোমদা, পাঞ্জল শোৎখিবা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী শান্নরোয়শিংবুসু ইক্কেলাইজর ফংননবা অকনবা মওংদা লম্বা পীরকখি। মেটচকী ৮৫শুবা মিনটতা এ টি কে মোহন বগানগী মায়কৈদগী মনবির সিংহনা অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা মায় পাকখি।

হয়েং বেঙ্গলুরু এফ সী অমসুং হায়দরবাদ এফ সী লম্বা তৌনগনি।

# কেপ্টেন ফিন্স অমসুং স্মিথকী সেঞ্চুরি অনীনা ইন্দিয়াবু ওষ্ট্রেলিয়ানা অহানবা ৱান দে মেটচ রন ৬৬তা থোইহনখ্রে

সিদনি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমনা ওষ্ট্রেলিয়া টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা ৱান দে মেটচ অহুমগী অহানবা মেটচ অদুদা য়ূম্বু লৈবাক অদুগী কেপ্টেন অরোন ফিন্স অমসুং ষ্টিভেন স্মিথকী সেঞ্চুরি অনীনা ইন্দিয়াবু রন ৬৬তা মায়থীবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌখ্রে।

ঙসিগী অহানবা ৱান দে মেটচ অদু সিদনিগী ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নখি। টোস অদুসু ওষ্ট্রেলিয়ানা ঙমদুনা বেটিং হান্না তৌরকপদা ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ৫০গী মনুংদা ৱিকেট ৬ আউট ওইরগা রন ৩৭৪ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মায়োক্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী মপূং ওইবা বেটচমেন মরিনা অকনবা এটেক চথুখি। ওপনর দেবিদ ৱার্নর অমসুং কেপ্টেন অরোন ফিন্সনা অহানবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক ওভর ২৭ হেন্না শান্নরকপদা রন ১৫৬ লৌখি।

ৱার্নর ২৮শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ফোর ৬ য়ৈরম্লগা বোল ৭৬ মায়োক্লখিবদা রন ৬৯ লৌখি।



ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী সেঞ্চুরি লৌখিবা ষ্টিভেন স্মিথ অমসুং অরোন ফিন্স

মহাক্কী মতুং চঙলকখিবা ষ্টিভেন স্মিথ অমদি কেপ্টেন ফিন্সনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ১০৮ হাপচিন্দুনা ৪০শুবা ওভরদা ওষ্ট্রেলিয়াগী স্কোর ২৬৪ লৈখি। ফিন্স বোল ১২৪দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৯ য়ৈরগা রন ১১৪ লৌরমখি।

মঙাশুবা বেটসমেন গ্লেন মেক্সৱেল অমদি ষ্টিভেন স্মিথনা ইন্নিংস অদুগী স্কোর ৩২৮ ফাওবা পুখৎলকখি। মেক্সৱেল শুপ্নগী বোল ১৯দা সিক্স ৩ অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪৫দা আউট ওইখি। ষ্টিভেন স্মিথ অরোইবা ওভর ফাওবা শান্নরকপদা শুপ্নগী বোল ৬৬তা সিক্স ৪ অমসুং ফোর ১১ য়ৈরগা রন ১০৫দা আউট ওইখি। অপূনবা স্কোর অদু রন ৩৭৪ শুখি।

মায় পাক্লনবা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী রন ৩৭৫ লৌননবা হোৎনরকপদা ওভর ৫০ লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৮ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ৩০৮খক লৌখিবদগী মেটচ অদু রন ৬৬তা মায়থীবা নংখিবনি।

ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিং য়াম্না ফীভম শোক্না শান্নখিদ্রবসু ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলরশিং অদুনা রন লৌহনবগী খোঙজেল অদু তপহনখি। ওপনর সিখর ধৱননা বোল ৮৬তা ফোর ১০ লৈরগা রন ৭৪ লৌরমখিবা লোয়ননা তরুকশুবা বেটসমেন হার্দিক পান্দিয়ানা শুপ্নগী বোল ৭৬তা সিক্স ৪ অমদি ফোর ৭ য়ৈরগা রন ৯০ লৌরমখিবা অদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা ইন্নিংসশিং অদু ওইখি।

অতোপ্পা ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱাল রন ২২, কেপ্টেন কোহলি রন ২১, ৭শুবা বেটসমেন জাদেজাগী রন ২৫, লোয়ননা আউট ওইদনা লৈখিবা নবদিপ সাইনিগী রন ২৯ পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর জম্পানা ৱিকেট ৪ লৌরগা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি। ২শুবা মেটচ থা অসিগী ২৯দা শান্নগনি।

# ইংলেন্দগী লেষ্টর সিটি, অর্সনেল লোয়নন ইটালিগী রোমা অমসুং জর্মনিগী ১৮৯৯ হোফেনহেম য়ুরোপা লীগকী নোক আউট ষ্টেজ য়ৌখ্রে

লন্দন, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
য়ুরোপকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল ক্লবশিংগী টুর্নামেন্ট চেম্পিয়ন্স লীগকী হেক মথংদা লৈরিবা য়ুরোপা লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ মেটচশিংদা মকোক থোংদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব অনী লেষ্টর সিটি অমসুং অর্সনেল লোয়ননা ইটালিগী রোমা অমসুং জর্মনিগী ১৮৯৯ হোফেনহেম নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখ্রে।

পূন্না টিম ৪৮না গ্রুপ ১২ থোক্লা খায়দোক্তুনা শান্নরকপা টিম ৪/৪গী ওইবা লম্বাদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ জিগী ৪শুবা রাউন্দগী



লেষ্টর সিটি এফ সীগী শান্নরোয় (ওই) অমসুং ব্রগা এফ সীগী শান্নরোয় (য়েৎ) অনীনা বোল মুন্নবা

মেটচ অমদা লেষ্টর সিটি অমসুং পোর্টুগালগী ব্রগাগা পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎলবসু মমাংদা মেটচ ৩ মায় পাকখিবনা মরম ওইরগা লেষ্টর সিটি পূন্না পোইন্ট ১০ ফংদুনা গ্রুপ অদুদগী অহানবা ক্লব অমা ওইনা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ব্রগাগী অলমুসরাটিনা ৪শুবা মিনটতা চনখি। অথুবদা লেষ্টরগী মায়কৈদগী বার্নসনা ৯শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর চনবা ঙমখি। পোলিনোনা ২৪শুবা মিনটতা ব্রগাগী ২শুবা পাঞ্জল অদু চনখ্রবা মতুং লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী থোমাসনা ৭৯শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর অমুক হন্না চনখি। মেটচকী ইঞ্জুরি টাইমদা ব্রগাগী ফ্রান্সর্জিও পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং লেষ্টরগী মায়কৈদগী ভর্দিনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা ৩-৩দা দ্রো চৎখি।

অর্সনেল ফুটবোল ক্লবনা গ্রুপ বিদা ঙরাং নোরৱেগী ফুটবোল ক্লব মোল্ডেবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুদগী পোইন্ট ১২ ফংলগা নোক আউটকী ক্বালিফাই ওইখি। অর্সনেলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অহুম্মক অনীশুবা হাফতা চনখিবনি। মখোয়শিং অদুদি পেপে (মিনট ৫০), নেলসন (মিনট ৫৫) অমসুং বালোগুন (মিনট ৮৩)নি। অর্সনেলনা মেটচ ৪দা মরিমক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১২ ফংখি।

গ্রুপ এদা ইটালিগী ফুটবোল ক্লব রোমানা ঙরাং শান্নখিবা মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা রোমানিয়াগী সী এফ আর ক্লুজবু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা মেটচ ৪দা পোইন্ট ১০ ফংলগা গ্রুপ অদুদগী নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখি। রোমাগী অহানবা পাঞ্জল অদু সী এফ আর ক্লুজগী দেবেলজুনা শোয়বদগী চনশিঞ্জখিবা পাঞ্জলনা ওইহনখি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা টিম অদুগী ভেরেটোটনা ৬৭শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা চনখি।

য়ুরোপা লীগ অসিগী গ্রুপ এলদা জর্মনিগী ফুটবোল ক্লব ১৮৯৯ হোফেনহেমনা চেক রিপব্লিককী স্লোবান লিবরেকপু পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা গ্রুপ অদুদা মেটচ ৪গী মনুংদা মরিমক থোইরগা পোইন্ট ১২ ফংদুনা নোক আউট ষ্টেজগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। টিম অদুগী মায়কৈদগী বোমগার্টনর অমদি ক্রামারিকনা পাঞ্জল চনখি।

# টোকিও ওলিম্পিক ওর্গনাইজরশিংনা দিসিপ্লিন ১৮গী টেষ্ট ইভেন্টশিং পাঙথোক্লনবা হোৎনরি

টোকিও, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা চহী ১ য়ৈথোকখ্রবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওর্গনাইজরশিংনা কুমজা ২০২১গী জুলাই ২৩দগী পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্পরিবা ওলিম্পিক গেমস অসি অশোয় অঙাম য়াওদনা পাঙথোকপা য়াননবগী পান্দমদা মথং চহীগী মার্চ থাদগী মে থা ফাওবগী মনুংদা তোঙান-তোঙানবা শান্নবগী দিসিপ্লিন ১৮গী টেষ্ট ইভেন্টশিং পাঙথোক্লগনি হায়না ঙসি লাউথোকখ্রে।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওর্গনাইজরশিংনা ঙসি লাউথোক-খিবা অদু টোকিও মেট্রোপোলিটান লৈঙাক্লা সিটি অদুদা নোংমদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা অনৌবা মীওই ৫৭০ থেংনরে হায়না লাউথোকখিবা নুমীৎ অদুমক্নি।

পনবা য়াবদি, জপানননা অতোপ্পা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীরবা লৈবাকশিংদগী লাইচৎ অসি লাম্হেংনবদা মাংজিল থানা লৈরিবনি। লৈবাক অদুগী অপূনবা মীশীং মিলিয়ন ১২৫গী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২,০০০



খক্তমক লাইচৎ অসি নারগা শিরি।

ওলিম্পিক ওর্গনাইজরশিংগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, য়ামদ্রবদা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ১৮গী মনুংদা মরিদি মীরমগী এথলেটশিং য়াওবা ইভেন্টশিং ওইগদৌরি। মখোয়শিং অদুদি স্বিমিং, জিম্নাষ্টিক্স, দাইভিং অমসুং ভোলিবোলনি। হায়রিবা ইভেন্টশিং অসিদা নৎতনা মথং চহীগী মে ৯দা টোকিওদা লৈবা হন্দক্তা নৌনা শঙ্গাখ্রবা নেসনল ষ্টেদিয়মদা ট্রেক এন্দ ফিল্ডগী ইভেন্ট টেষ্ট তৌগদৌরি। অদুবু হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা মীরমগী শান্নরোয়শিং শরুক য়াগদ্রা হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

গেমস দেলিভরি ওফিসরগী থৌ পুরিবা হিদেমাসা নাকামুরানা ফোঙদোকখিবদা, পাঙথোক্কদৌরিবা টেষ্ট ইভেন্টশিং অসিদা মীরমগী ভাবোক অমত্তা শরুক য়াহল্লোই। অদুবু জপানদা লৈবা অকক্লবা মশীংগী ওইবা ভাবোকশিংদি য়েংহন্নবা শেম শারি হায়খি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ইভেন্টশিং অসিদা শান্নরোয় য়াওদবা মওংদা পাঙথোকপগী খোঙথাংসু লৌখৎলি হায়খি। নাকামুরাগা পূন্না থবক তৌমিন্নরিবা য়াসু মোরিনা ফোঙদোকখিবদা, ইভেন্টশিং অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা ভাবোকশিং অদু জপান লৈঙাক্কী গাইদলাইন ইনগদবনি হায়রি।

# বেলজিয়মনা ফিফা ফুটবোল রেঙ্কিংগী নম্বর ৱান ওইরে

জ্যুরিক, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফানা ঙসি খ্বাইদগী নৌবা ফুটবোল রেঙ্কিংগী লিষ্ট লাউথোরকপদা বেলজিয়মনা নম্বর ৱান ওইরে।

মমাং ৱর্ল্ড কপকী চেম্পিয়ন ওইখিবা ফ্রান্সনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে। লোয়ননা ব্রাজিল অমসুং ইংলেন্দনা মথংশিৎনা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা পোজিসনদা লৈরি। য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইরিবা পোর্টুগালনা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরি। তরুকশুবা পোজিসন অদুনা স্পেননা কনবা ঙম্লি। অর্জেন্টিনানা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরি। অমরোমদা, উরুগুৱেনা থাক অমা হন্থরগা ৮শুবা পোজিসনদা লৈখি। মেক্সিকোনা ৯শুবদা লৈবা ঙম্লি। এসিয়াগী ওইনা জপানননা ফিফাগী রেঙ্কিং অসিদা ২৭শুবা পোজিসনদা লৈরগা খ্বাইদগী মকোক থোংলি। অফ্রিকাগীদি সেনিগালনা ২০শুবা পোজিসনদা লৈদুনা মাংজিল থারি।

# ‘শান্নরোয়শিংনা ক্বারন্টিন মনুংদা ট্রেনিং তৌবা য়াগনি’

মেলবোর্ন, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৮দগীনা ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়না লেপ্লিবা চহী অদুগী অহানবা গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইগ-দৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা নুমীৎ ১৪নিগী ক্বারন্টিন মনুংদা ট্রেনিং তৌবা য়াগনি হায়না মফম অদুগী মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

টুর্নামেন্ট অদুগী ওর্গনাইজরশিংনা গ্রান্দস্লাম টুর্নামেন্ট অদুগী মাংওইননা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিং অদুগী কোভিদ-১৯ প্রোটোকোল অদু কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা শান্নরোয়শিং অদুনা ক্বারন্টিন মনুংদা ট্রেনিং চথুবা য়াহনগদৌরিবনি।

# ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ য়ৈথোকখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা হৌখিবা সিজন মঙারক মায় পাক্না পাঙথোকখ্রবা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগ হন্দক্কী সিজনগী ওইনা দিসেম্বর অমসুং জন্যুৱারী থাদা পাঙথোক্লনবা মতম লেপ্লম্বা অদু কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা য়ৈথোকখ্রে।

লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী স্পোন্সর ওইরিবা স্পোর্টজ লাইভকী মেনেজিং দিরেক্টর প্রসাদ মঙ্গিপুদিনা ফোঙদোরকখিবদা, বেদমিন্টন এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়া খক্তা নৎতনা অতোপ্পা লৈবাক্কী লৈঙাকশিংনসু চৎনহল্লিবা গাইদলাইনশিং, প্রোটোকোলশিং অমদি শান্নরোয়শিংগীদমক্তা থল্লিবা থাজবা অদু মাঙহন্দনবা অমদি হকচাং শোক্তবা অমদি নাহন্দবনা মরম ওইরগা তরুক্লকশুবা সিজনগী কম্পিটিসন অদু য়ৈথোকখিবনি হায়রি।

ঙসি প্রসাদনা মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী মেগাজিন অমগা ৱারী শানখিবদা মখা তারদুনা প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগনা মমাংদা পাঙথোকখিবা সিজন মঙা অদু মরক শিদনবা হোৎনরকখিবনি। অদুবু হৌজিক লৈরক্লিবা ইন্দিয়াগী ওইবা কোভিদ-১৯ লাইচৎকী ফীভম অসি য়েংলুরগা দিসেম্বর অমদি জন্যুৱারী থাদা পাঙথোক্লবা লেপ্লম্বা অদু য়ৈথোক্লগা মথং চহীগী জুন থাদা পাঙথোকপা য়াগদ্রা হায়বগী ৱারেপ্তি লৌরে হায়রি।

ইন্দিয়াদা হৌজিক মরুওইনা দেল্লি অমদি অতোপ্পা মরুওইবা সিটিশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী অনীশুবা ৱেভ অমা লাক্লিবা অসিনা অচৌবা মরম অমা ওইরগা লীগ টুর্নামেন্ট অসি য়ৈথোরকপনি। মমাংদা শরুক য়ারম্বা মমিং লৈরবা মালেমগী শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিক গেমসকী মমাংদা শরুক য়াবা য়াননবা থৌশিল অমা শোয়দনা লৈরগনি হায়খি।

# টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিমদা দিসিপ্লিন মরিগী পেরা এথলিট নিপান য়াওহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (এস এ আই)গী মখাদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিক্সতা মেদল ফংননবগীদমক্তা শেমখিবা টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম (টি ও পি এস)গী মনুং চন্না পেরা এথলিটশিংনা পেরালিম্পিক গেমসতা মিংচৎ পুরকপা হেন্না ঙম্নবগীদমক স্কিম অসিগী মনুং চন্না দিসিপ্লিন মরিদা পেরা এথলিট নিপান য়াওহনখ্রে হায়না এস এ আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙরাং লোইশিনখিবা মিসন ওলিম্পিক সেলগী ৫০রকশুবা মীফম্না লেপখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না পেরা এথলিটশিংগী মনুংদা দিস্কস থ্রোৱর বিনোদ কুমার, পেরা শটলর (বেদমিন্টন) অনী, পরুল পর্মর অমসুং পলক কোহলি, পেরা শুটর রুবিনা ফ্রান্সিস অমসুং পেরা টেবল টেন্নিস শান্নরোয় ভাবিনা পটেল য়াওরি।

পনবা য়াই, পেরা এথলিট বিনোদ কুমার দিস্কস থ্রোগী এফ-৫২ ইভেন্টতা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ শরুক য়ারুবদা ফজবা ঙমখিবদগী টোকিও





ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরকপা ঙমখ্রবা পেরালিম্পিয়নশিং (ফাইল ফোটো)

পেরালিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। নাকল অমরোমদা, নুপাগী হাই জম্পকী টি-৬৪ ইভেন্টতা টোকিও পেরালিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখ্রবা প্রভিন কুমার অমদি নুপাগী এফ-৫২ দিস্কস থ্রো ইভেন্টতা কন্না ফগৎলক্লিবা অজিৎ কুমার পঞ্চলসু টার্গেট ওলিম্পিক পোদিয়ম স্কিম অসিনা কোনশিনখি।

মরক অসিদা নুপাগী শোট পুট এফ-৫৭ ইভেন্টতা শরুক য়ারিবা বিরেন্দর ধনকর অমদি নুপীগী মিটর ৪০০গী এফ-৪৭ ইভেন্টকী পেরা এথলিট জয়েন্তি বেহরা স্কিম অসিগী মনুংদগী লৌথোকখ্রে।

নুপীগী পেরা বেদমিন্টন প্যেয়র পরুল অমসুং পলক (এস এল ৩-এস য়ু ৫) হৌজিক-হৌজিক ৱর্ল্ডগী মঙাশুবা রেঙ্কিংদা লৈদুনা টোকিও পেরালিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবগী লম্বৈলদা লৈরি। মখোয়সু স্কিম অসিদা য়াওরিবনি। শুটিংদা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টল এস ঐচ-১ ইভেন্টতা স্কিম অসিনা কোনশিনখ্রবা রুবিনাদা নৎতনা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন ইভেন্টকী সিদার্থসু স্কিম অসিনা কোনশিনখি।

# স্কিলিং ওপন চেছ টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল লম্বা মশক খঙখ্রে

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী):
য়ু এস দোল্লর ১০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা স্কিলিং ওপন ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট সেমীফাইনেল লম্বা তৌনগদবা শান্নরোয় মরিগী মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান চেছ শান্নরোয় ওইরিবা নোরৱেগী গ্রান্দমাষ্টর মেগনস কার্লসননা ক্বার্টর ফাইনেলদা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দমাষ্টর অনিশ গিরিবু মায়থীবা পীখিবনি। অহানবা সেটতা কার্লসননা গিরিবু মরিশুবা গেমদা থোইখিবা অদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা সেটকী গেম মরি দ্রো চৎলবসু সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ইয়ান নেপোমনিয়াচিনা অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেবোন অরোনিয়নবু সেট অনীমক থোইবা ঙমখি। অহানবা সেট অদুদা রেপিদ গেম মরি শান্নবদা নেপোমনিয়াচিনা অরোনিয়নবু ৩-১দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটকী ব্লিটজ গেম অনীমক থোইদুনা সেমীফাইনেলদা মহাক্না মেগনর্স কার্লসনগা লম্বা তৌনগদৌরি।

অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা য়ু এস এগী গ্রান্দমাষ্টর ৱেস্লি সো অমদি অজরবৈজানগী গ্রান্দ-মাষ্টর তৈমুর রাজাবোবকা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট ৱেস্লিনা ২.৫-১.৫দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটতা গেম অমমম্দা দ্রো লৈখিবনা অর্মাগেদনদা ৱেস্লি সোনা মায় পাকখি। মহাক্না সেমীফাইনেলদা থেংনগদৌরিবা শান্নরোয় অদু অতোপ্পা য়ু এসকী গ্রান্দমাষ্টর হিকারু নাকামুরানি।

হিকারু নাকামুরানা ক্বার্টর ফাইনেলদা ফ্রান্সকী গ্রান্দমাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবপু অহানবা সেটকী রেপিদ গেম মরিদা ২.৫-০.৫দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা দ্রো চৎলবসু নাকামুরানা ভেসিয়রবু অর্মাগেদন ফোর্মেটতা মায় পাক্তুনা সেমীফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিদিট গুজরাথি প্রিলিমিনরি রাউন্দদা পোইন্ট ৬.৫ ফংলগা ১২শুবা পোজিসনদা লৈহৌবদগী মকোক থোংবা ৮গী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবনি।





HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)





HL/B/6497/3/11-31/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com